**গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর**

**ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স**

**•••••••**

**প্রেস রিলিজ**

**সোসিয়েল মেডিয়াদা নুপীশিংগী মথক্তা চত্থবা ক্রাইমশিং মীৎয়েং চঙফম থোকইঃ মিনিষ্টর শ্যামকুমার**

**ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৫, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ** ফোরেষ্ট এণ্ড ইনভাইরোনমেন্ট, মহুড অমসুং হোর্টিকলচর এণ্ড সোইল কনর্জভেসন মিনিষ্টর শ্রী থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ষ্টেট অসিদা হেনগৎলক্লিবা নুপীশিংগী মথক্তা চত্থবা ক্রাইমদা মরুওইনা সোসিয়েল মেডিয়াদা চত্থরক্লিবা অসি মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দগী ডি এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা জি পি ৰুমেন কলেজ হোষ্টেলগী ঙসি পাঙথোকখিবা এনুয়েল ফ্রেসর্স মিট (২০১৭-১৮)গী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। নুপীমচাশিংবু মখোয়গী অফবা তুংগী পুন্সি অমগীদমক্তা লাইরিক লাইশূ তম্বদা খোয়জঙনা হোৎননবা পূক্নিং থৌগৎলদুনা মিনিষ্টরনা অফবা লমচৎ-শাজৎ লৈবগী কান্নবা অদু পনখি।

মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা নুপীমচা মহৈরোয়শিংবু পাউতাক পীরদুনা হায়, মহৈ মশিং তম্বগী অফবা ফিভম অমা শেমদুনা লাইরিক লাইশূ তম্বদা কন্না হোৎনদুনা মখোয়না তল্লিবা কলেজগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনগদবনি। মহাক্না হোষ্টেল কেম্পসকী অকোয়বদা লৈ-শূ অমদি উহৈ য়ানবা পাম্বীশিং থান্নবসু হায়খি।

মহাক্কী ৱারোলদা হায়খিবগুম মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হোষ্টেলগী মহৈরোয়শিংগীদমক্তা হোর্টিকলচর ডিপার্টমেন্টতগী কমলা অমদি চমপ্রাগী পাম্বী ৭০শূ পীরক্তুনা মহাক্কী ৱাশক ঙাকখি। মসিগীদমক্তা মিনিষ্টরবু মহৈরোয়শিং অমদি ওঝাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ময়ায় তাংবলগী ফমফম লাংখিবা জি পি ৰুমেন্স কলেজ হোষ্টেলগী সুপরিন্টেন্দেন্ট শ্রী ক্ষেট্রিময়ুম রাজেশ্বর সিংহনা ফোঙদোকখি মদুদি মায় পাকপা মীওই অমা ওইনবগীদক্তা পুন্সিগী হীরম খুদিংমক্তা থকশি-খাশি নাইনা চৎকদবনি। মহাক্না ইং ১৯৬৫দা লিংখৎখিবা হোষ্টেল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ইরম-নালাগী ফৎত্রিবা ফিভম অদুগী মতাংদসু মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী পূক্নিংসু চিংশিনখি।

জি পি ৰুমেন্স কলেজগী প্রিন্সিপাল ডাক্তর বি লালহরি শর্ম্মা, ওঝাশিং, ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। ফঙ্কসন অদুদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া অমসু উৎখি। **(ডি আই পি আর)**

.......................................................................................................

BEN/APO(P) No. 1008 05/09/2017